# ইরমদমদা লো এন্দ ওর্দর ফগৎলে হায়রিসিবু...

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

লো এন্দ ওর্দর ফগৎলে হায়রিসিবু পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক-লৈঙাক অদুগীখক ওইবগুম তৌরি ঐখোয় ইরমদম কংলৈপাক্তদি। খুদম ওইনা হায়রবদা, পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী এম এল এ, মিনিষ্টর অমদি ওফিসরশিংগীদি লো এন্দ ওর্দর নীংথিনা লৈ হায়বা য়াই মরমদি মখোয়দি মখোয় মখোয়বু ঙাকথোকচনবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং থম্মী। অদুবু মীচম মীয়ামগীদমক্তদি লো এন্দ ওর্দর ফগৎলে হায়রিবসি হান্নগা অমহানি।

মমাঙ থা সেপ্টেম্বর ২২দনি সোসল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা মণিপুরদা অপূনবা খুন্নাই অমা পুরক্নবা হোৎনবদা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌবিরম্বা সোসল এক্টিভিষ্ট অথুৱান অবোনমাইবু এন এস সী এন (আই-এম)গী মীওইনি হায়না চিংনবা (পাউচেশিংদা ফোঙখিবগী মতুংইন্না) মীওই কাঙলূপ অমনা অসাম রাইফলস, মণিপুর পুলিস অমদি সিভিল দ্রেসতা লৈবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মমাঙমক্তদা নমদুনা ফারগা পুখ্রগা হাৎখিবা। মণিপুরগী সী এম অমদি অতৈ মিনিষ্টরশিং, এম এল এ অমদি দিগনিটরিশিং পুনগদৌরিবা মফম অমদা করম্বা মওংগী সিক্যুরিটিগী ওইবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগে হায়বসি মীয়াম্না লোইনা খঙনরবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়রবদি সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা পিক থন্না চাইখাইদুনা চেকশিন্না থম্নবা ঐখোয় মীচমনকা চঙলুবা ঙম্বোৎ নত্তে নুমিৎ খরনি ৱাৎলিঙৈদগী। মসিগী মথক্তা থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ অদুদি মীচম ঐখোয়দি মনাক নক্নফাওবা চঙনীংলুদে সিক্যুরিটি পর্সনেল ময়াম অদু উবদা।

অসুক চেকশিন্না, মশীং য়াম্লবা আর্মি, পুলিস অমদি সিভিল দ্রেসতা লৈবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা পুমথন থন্না কোয়শিন্দুনা লৈরিবা মফম অমদগী মীয়াম্না মশক খঙনরবা সোসল এক্টিভিষ্ট অমবু হেক্তা নমফুদা ফাদুনা পুখিবা হায়বসি সিক্যুরিটি লাপসনি হায়গদৌরিব্রা। হায়রিবা কিদনেপ তৌবগী থৌদোক অসি করিগুম্বা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টর অমদা থোক্লম্বা তারবদি লেপ্তুনা লৈরিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অদুনা করি তৌরমগনি, শোয়দনা মীশক অদুবু কন্নবা হোৎনরমগনি। তঙাইফদ্রবদি কিদনেপ তৌবদা চেন্নরিবা মীওই খরদি শোয়দনা নোংমৈনা কাপ্তুনা শোকপা, শিবা ফাওবা য়াওরমগনি। অদুবু অথুৱান অবোনমাইনা মীচম অমা ওইরম্বনা উনা উনা নহারোলশিং অদুগী মখূত্তা তাহনখিবনি। ফীভম অসিবু মতৌ করম্না লো এন্দ ওর্দর ফরে হায়গদৌরিবা অদুগা সিক্যুরিটি অমদি পুলিস পর্সনেলশিং অসিদা ঐখোয়না থাজবা থম্বা ঙমগদৌরিবা।

হৌজিক হৌজিক্লা ইলেক্সনননা নকশিল্লকপা অসিদা ঈরাং থোকপা অমুক হৌরক্লে। মসিদি ইরমদম অসিদা ইলেক্সন খুদিংগী থোকপা ৱাথোকনি। অদুবু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম য়াম্না ফগৎলে হায়না তোয়না মীদিয়াদা লাউরবসু নোংমৈ ফাওবা ফোংনা পায়দুনা কাপ্নবা, ফূনবা হৌরক্লে, মীশি-মীনা য়াওরক্লে। নোংমৈ পায়দুনা অতোপ্পা পার্টিগী মীহুৎ ওইরিবা মীওই অমদা কিহনবা অমদি মহাক্কী ময়ূমদা নোংমৈ কাপশিনবা অসিবু লো এন্দ ওর্দর ফগৎলে হায়গদৌরিব্রা। হায়রিবা থৌদোক অসি ময়াম্না তাবীখ্রবনি। হায়রিবা থৌদোক অসি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা থোকখিবা থৌদোক অমনি।

অদুগা অতোপ্পা থৌদোক অমদনা নুমিৎ হুমনিমুক্কী মমাঙদা অন্দ্রো এ সীগী মনুং চন্না লৈবা য়াম্বেমদা মীরেপ অনীগী থৌমীশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্নবদগী নোংমৈনা পানবা য়াওনা মীওই অহুম অশোক অপন নংখ্রে হায়না পাউচেদা থেংনৈ। মসিনা লোইদ্রি। নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী নিঙোম্বমদা মীরেপ অনীগী থৌমীশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্নরকপদগী অকায় অতোয় কয়া য়াওখ্রে হায়না থেংনৈ। মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি অসিগুম্বা থৌদোক অসি য়াম্না তোয়না থোক্কনবা থৌদোকনি খঙনা খঙনা করিগীনো পাল্লিবা লৈঙাক্লা হায়রিবা ইলেক্সনগী মীটিং তৌফমশিং অসিদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং থমদ্রিবা।

থম্বা তারবসু সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অসিনা ঈরাং অদুবু নমথনবা হোৎনবগী মহুত্তা পার্টি অমবু শৌগৎতুনা নোংমৈ পায়দুনা কাপ্পা য়াওরবসু এক্সন অমত্তা লৌখৎত্রবদি সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং থম্বগী ৱাহন্থোক লৈরোই। মসি ৱাংজিং তেন্থাদা থোকখি হায়না থেংনখি পাউচেদা। মরম অসিনা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মীচং মীখায় নাইদনা মথৌ তৌহন্নীংই নৎত্রবদি হেন্না খৎন-চৈনবা, অশোক-অপন, অশি-অনা থোক্লক্কনি। অদুগা অসিগুম্বা মীচম মীয়ামগী ওইবা মীফম অসিদা নোংমৈ পায়দুনা থোরক্লিবা মীওইশিং অদুনা করম্বা লোগী মখাদা থোরক্লিবা অমদি কাপ্লিবা হায়বসিসু হংবা য়ারিবা ৱাফমনি। ফীভম অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লো এন্দ ওর্দর ফগৎলে হায়না লাউবগী মহুত্তা থবক ওইনা লৌখৎতুনা মীয়ামদা উৎপীয়ু।

মালেমদা খ্বাইদগী চাউনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়না নাপল কাজরিবা ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরিবা মণিপুর কৌবা লমদমসিদা লৈঙাক পায়বিরিবা মীওই খরনা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌই, ৱায়েল পথাপকী চৎনবীসু ইনবীদে অদুগা মীচম মীয়ামদদি লাউরি লো এন্দ ওর্দর ইন্দুনা চৎলু হায়না। ইলেক্সনগী মতম য়ৌশিল্লকপসিদনা হৌরক্লে কাঙলূপ কাঙলূপ য়েংথিনবা, খূৎ থানবা। পৱার পায়বা, শেল পায়বা মীরেপশিংনা মাগী মাগী মীওইশিং থাদোক্তুনা নোংমৈ পায়হন্দুনা কিহল্লি মখোয়গী মায়োক্তা ভোট লেপ্তুনবা, কাপশিল্লি নোংমৈ মখোয়গী ময়ূমদা। অসুন্না তৌবা অসিনা মীচম মীয়াম্না খনগৎচনীংবা মীরেপশিংদা ভোট থাদবা ঙমহন্দে। মসি ওইরেকো ইরমদমগী লো এন্দ ওর্দর ফগৎপগী মমি। মীখলগী মতমদা মীরেপশিংনা মনীং তম্না লেপ্পা ঙমদ্রবা, মীচম মীয়াম্না মনীং তম্না মখোয়না থাদজনীংবা মীরেপশিংদা ভোট থাদজবা ফংদ্রবা লমদম অদুদা লো এন্দ ওর্দর ফগৎলে হায়বা য়ারোই। ঐখোয় ইরমদমদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিগা চাওখৎত্রিবা অফ্রিকা হায়রিবা কন্টিনেন্ট অসিদা থোক্লিবা অসিগা করিবু খেন্নরিবগে। ঐখোয়গী খুন্নাই অফ্রিকাগী জঙ্গলদা লৈবগা পাঞ্চক ওইরি। মরু ওইনা ইলেক্সনগী মতাংদা য়েংলবদি। মরম অসিনা ইরৈচাশিংনা ইশা ইশানা চেকশিনবীয়ু। আর্মি লৈ, পুলিস লৈ, সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং লৈ হায়দুনা ঐখোয় শাফরে, সেফ ওইরে হায়না খনবীগনু।

লোইশিল্লকপদা, হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিবু লাকশিনবা ঙমদ্রবা, মীরেপশিংনা মনীং তম্না মীখল য়াওবা ঙমহন্দ্রবা, মীচম মীয়াম্না মনীং তম্না মখোয় মখোয়না পামজবা মীরেপ খঞ্জবা ঙমহন্দ্রবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলে হায়না মীয়ামগী মীৎতা উৎ চাইবিবগী মহুত্তা ইরাংশিং অসি নিংথিনা লাকশিন্দুনা থবক ওইনা উৎপীয়ু লৈঙাক্লা। লমদম অমগী মীওইশিং চাওখৎলি চাওখৎতে হায়বসি লমদম অদুগী মীখলদা মমি শেংনা তাবনি হায়বসি কাউফদে। ●

# নঙগী মিং ভিয়েৎনাম, ঐগী মিংসু ভিয়েৎনাম

- ডা. এম নরা -


হে অথৌবা! খাঙবা কনবা লুচিংবা, জেলগী শারং মনুংদা চহী কয়া খাঙখিবা, শেৎত চাদ লৈনুংদা কোম তৌদুনা হিংলকপা, য়েক্ন মায়রোং য়াবদা নিংহন্নবা লৈতবা, মীনাই য়োৎহ্লিং থদৎপা নজাতিগী ঈজৎ কনখিবা, পিক্ল জাতি নহাক্কী, শক্তি কয়ানা লান্দাবা, খূৎলায় মতিক চাদবা, লৌশিংনা শামু ফাখিবা, মালেম শিন্তুংনা ফাওখিবা কৎথোকপতনা থল্লবা অকি তুজুংবা লৈতবা; যুগ কয়া পুন্সিয়ু, যুগ কয়া পুন্সিয়ু।

চীংনুং মানুং ফাওদুনা জঙ্গল কয়াদা লোৎলকপা, গরিলা লাল্লোং হৈনবা, অমগা চামগা পান্নবা, নহারোল পূম্বনা তুংইনবা, নুপী কাঙলূপকী লুচিংলেন খ্বাই খিবিক্লা কৌনবা অঙ্কল নঙগী মিংলেননি; হে অথৌবা! খাঙবা কনবা লুচিংবা, লাল সলাম কৎচরি, লাল সলাম কৎচরি।

(ভিয়েৎনাম রেভল্যুসনগী লুচিংখিবা অঙ্কল হো-চি-মিনগী পুন্সি ৱারী পারুবা অমসুং লৈবাক্তুদা চৎতুনা মহাক্লা পাঙথোক্লম্বা থবকশিং উরুবদা ইজখিবা শৈরেংনি, কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর থাদা)

হৌখ্রবা পুৱারীগী ৱারীনি, ভিয়েৎনাম নীংতম লালগী শরুক অমনি; ঐগী পুন্সিদা মমি তাখিবা কোলকটা সহরদা থোকখিবা থৌদোকনি কুমজা ১৯৬৭তগী ১৯৭২গী এপ্রিল থা ফাওবদা। মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা অমদি শক্তি লৈরবা লৈবাক অমেরিকানা লায়রখ্রবা অপিকপা লৈবাক ভিয়েৎনাম্বু লান্দাবীদুনা নৈবা মতমনি। মালেমগী লৈবাক কয়ানা আমেরিকাবু য়াম্না শাওখি অমসুং ভিয়েৎনামদগী হন্দোকখো হায়বা কল্লবা খোল্লাউনা পুমনিল নিনখি। কোলকটা সহরগী ময়ায় চবুক্তা মীওই লিশীং কয়ানা শাংলবা প্রোসেসন চৎতুনা খোল্লাউ কয়া লাওখিবশিংগী মনুংদা ঐহাক্লা কাউঙমদ্রবা স্লোগান অমদি ‘হো-হো-হো-চি-মিন-তোমার নাম অমার নাম ভিয়েৎনাম, ভিয়েৎনাম” ৱাহন্থোক্তি “হো-হো-হো-চি-মিন! নঙগী মিং ভিয়েৎনাম, ঐখোয়গী মিংসু ভিয়েৎনাম’ কৌই হায়বনি। স্লোগান অসিনা পীখিবা ঈথিল অঙকপনি। প্রোসেসন অসিদা য়াওরিবা মীওইশিং অমসুং লম্বীদা য়েংলিবা মীচম মীয়াম ভিয়েৎনামগীদমক্তা শিবা কিরক্তে। প্রোসেসন অদু কোলকটাগী হেরিংতন ষ্ট্রিট ফাওবা চৎনবা প্লান্নি। মরমদি হায়রিবা লম্বী অসিদা আমেরিকাগী কোনসুলেট ওফিস লৈ। পুলিসনা লম্বী থিংখি অমসুং নোংমৈ কাপখি, লাইবক থীদুনা নুপামচা অমা নোংমৈনা পান্দুনা শিখি। অঙ্কল হো-চি-মিন কোলকটাদা লাক্তুনা লম্বী অসিবু য়েংখি। মমৈথংদা বেঙ্গলদা লেফট ফ্রন্টনা লৈঙাক পায়রকপা মতমদা লম্বী অসিগী মমিং “হো-চি-মিন সারানী’ হায়না হোংখি।

খূৎলায় মতিক চাদবা তৌইগুম্বসুং খাংবা কনবা অমদি নিংহন্নদবা থৌনাগা লোয়ননা য়েক্ন মায়রোং য়াখিবা ভিয়েৎনামগী লান্মী অমসুং মীচম মীয়াম্না শক্তি লৈরবা অমেরিকাবু মায়থীবা পীখি। মালেমগী লৈবাক কয়াগী মীয়ামগী খোল্লাউ - “অমেরিকা! ভিয়েৎনামদগী হন্দোকখ্রো” হায়না ৱাহৈগী ৱাহন্থোক থবক ওইনা ওন্থোরকখি। অমেরিকানা খ্বাইদগী পন্নীংদবা মিং - “হো-চি-মিন” ঙসিদি মিকুপ খুদিং অমদি চিঠি ইবা খুদিংদা কোলকটাদা লৈরিবা অমেরিকাগী কোনসুলেট জেনরেলগী ওফিস - “হো-চি-মিন সারানী” হায়দবা য়াদ্রে। অসুম্না মোরেল ভিক্টোরি অমসু ভিয়েৎনামনা ফংখ্রে।



ঐহাক্কী অহানবা ভিয়েৎনাম খোঙচৎ কুমজা ১৯৯২গী নবেম্বর ৩০দা হানোয়দা থুংখি। পার্লিয়ামেন্টরি দেলিগেসন অমা ওইনা ঐহাক্লা লুচিংলগা মতমদুগী এম এল এ ফৈরোইজম পরিজাৎ, নিংথৌজম মঙ্গি অমসুং য়েংখোম রোমাবাই, ঐখোয় মরিনি খোঙচৎ অসিদা য়াওরিবদু। য়েংখোম ইচে রোমাবাই মতমদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা দেপ্যুটি স্পিকরগী সেক্রেটরি ওইরি। হানোয়দা ঐখোয়গী অহানবা য়েংগদবা মফমসি ‘অঙ্কল হো-চি-মিন” গী মৌসোলিয়মনি। হানোয় সহর অসি ভিয়েৎনামগী কোনুংনি। মসিদা লৈরিবা মৌসোলিয়ম অসি অঙকপা ফংনা লূ-নাল্লি লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী ভিয়েৎনাম অমসুং অতৈ মপান লৈবাক্কী ভিজিটরশিং মশীং লাকঙমদনা ক্যু লেপ্তুনা য়েংনরি, শ্রধাঞ্জল্লি কৎনরি। কুমজা ১৮৯০গী মে ১৯দা পোকখিবা অমসুং কুমজা ১৯৬৯গী সেপ্টেম্বর ২দা মপুন্সি লোমখবা লুচিংবা অঙ্কল হো-চি-মিন মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংগী এসিয়া মহাদেশতা এন্টি কোলোনিয়েল মুভমেন্ট হৌদোকখিবা অমসুং ২০শুবা শতাব্দিগী শক্তি লৈরবা কম্যুনিষ্ট লুচিংবা অমনি। মহাক্কী থৱায়দি য়াওদ্রবা অদুগা তেক্তা কায়দনা প্রিজার্ভ তৌদুনা হৌজিক্তা তূমথখিবদৌনা ফীভম মুর্ত্তি করিমত্তা কায়দনা মিংশেল চন্দুনা থল্লিবা মৌসোলিয়ম অসিবুনি মীয়াম্না য়েংনবা লাক্লিবা। লাইবক ফবা হায়গদ্রা ঐহাক অসিগুম্বা ঐতিহাসিক ওইরবা মৌসোলিয়ম মরি য়েংবা ফংজরে। মখোয়দুদি (১) মোস্কোগী রেদ স্কোয়ারদা লৈরিবা ৱ্লাদিমির লেনিনগী হকচাং, (২) বৈজিংগী টিয়ানন মেন স্কোয়ারদা লৈরিবা মাও সে তুংগী হকচাং, (৩) বলগেরিয়াগী লুচিংবা জোর্জি দিমিত্রোপকী হকচাং অমসুং (৪) অঙ্কল হো-চি-মিনগী হকচাং। মৌসোলিয়ম অদুগী অকোয়বদা উ-ৱা মরাং কায়না হৌরি, অদুবু খ্বাইদগী পূক্লিং হুরিবদি ফজ-ফজরবা শিৎ নাল্লবা ৱা পান্বীশিং অদুনি। অয়েকপদৌনা ফজনা নাম্থোক্লবা ৱা পান্বীশিং করম্নবু থাবনো ৱাপলগী জঙ্গল অমগুম থেংনরকখি। মসিদগী থোরকপদা হানোয় ম্যুনিপালগী লুচিংবশিংনা ঐখোয়বু ওকপীখি। লোয়ননা হানোয় সহরগী ময়ায়দা লৈরিবা ফজরবা পাৎ, মদুদা তাওদুনা লৈরিবা ষ্টার ৫গী ফ্লোটিং রেষ্টুরেন্ট, পূম্নমকসিগী অকোয়বদা লৈরিবা নাল্লবা লম্বীশিংদা মহৈরোয় মশীং লাকঙমদনা সাইকল তোংদুনা স্কুল, কোলেজ চৎনরিবা অঙকপা ফংনা ফজৈ অমসুং য়েংবদা নুংঙাই। মতম অদু নীংশিংই, ঐখোয়না দি এম কোলেজদা লাইরিক তম্লকপা মতম কুমজা ১৯৬৫গী অদুৱাইদা ঐখোয়গী মণিপুরদসু মশীং লাকঙমদ্রবা মহৈরোয়শিংনা সাইকল তোংদুনা স্কুল, কোলেজ কান্নরকপগী সিনারিও অমুক হন্না উবা ফংগনি থাজদে। হৌজিক্তি অমোৎপগী অমোৎপা ঙাক্তা, মফম খুদিংদা পোল্যুসন, করম্না শেংদোক্কনি? অনৌবা মখলগী এপ্রোচ অমা হায়বদি সোসল চেঞ্জ অমা পুরক্নবা তঙাইফদনা হোৎনবা তারি। লানগী মৈশানা চাকথেল্লবা ভিয়েৎনাম ঙসিদি অনৌবা সংসার অমগুম্না মশক ওল্লক্লে। লানগী মতমদা ভিয়েৎনামগী লৈমায়দা স্কোয়ার মিটর অমগী মনুংদা বোম থাদখিদবা মফম অমত্তা লৈখিদে হায়। অদুবু অঙকপদি লান মনুংদসু ভিয়েৎনামদা লাইরিক তম্বা লেপখিদে, লায়েংবগী থবকসু লেপখিদে। লৈনুংদা কোম তৌদুনা টনেল শেম্লগা মহৈ মশীন তম্বা অমদি লায়েংনবা কন্না হোৎনখি।

ভিয়েৎনাম ইথনিক ত্রাইব ৫৪ লৈ অদুবু ঙসিদি তোঙান তোঙানবা ত্রাইব ময়াম অদু পূন্না অমদি নুংশি চান্নবা মাগী মাগী ফংফম থোকপা চাকথুং অমসুং অধিকার ফংদুনা চাওখৎলবা এসিয়াগী ইকোনোমিক জাইন্ট অমা ওইখৎলক্লি। লৌউ-শিংউবদা শিংথানবা লৈবাক অমা ওইরক্লি। চহী অমদা অহুম্লক ভিয়েৎনাম মালেমগী খ্বাইদগী চেঙ পুথোকপা ঙম্বা লৈবাক ওইরক্লি। মহাক্কী ৱাটর রিসোর্সেস য়ুনিভর্সিটিনা চহী চূপ্পা ঈশিং, লৌ উবগী অমদি থক্নবগী মরাং কায়না ফংহন্দুনা লৌউ-শিংউবদা বৈজ্ঞানিক ওইনা থবক পায়খৎপা ঙম্লকপনা পোথোক চাথোক্তা য়াম্না খুমাং চাওশিনবা ঙম্লকপনি হায়না লৌজৈ।

লোইশিল্লকপদা ঐহাক্লা পঞ্জনীংবদি কুমজা ২০০৭তা ঐহাক্লা ক্যুবাদা ৱর্ল্ড কনফরেন্স ওন কলচরেল দিভেলপমেন্টকী মীফম অমা য়াওবা চৎলি। মীফমসি লোইরগা হৱানাদা নোংমা চোন্থনা লৈবগী তাঞ্জা অমদা ঐনা লৈরিবা প্রোটোকোল হাওস অদুদা অয়ূক পুং ৮ তাবদা ব্রেকফাষ্ট চাগদবা মতমদা প্রোটোকোল ওফিসর লাক্তুনা ঐগী কাদা চঙলকই অদুগা হায়রৈ - কমরেদ ৱারৌবীবা য়াদে, ব্রেকফাষ্ট পুংখাইমুক্তং ঙাইবা তারে। মরমদি ভিয়েৎনামগী মী অহুমগী দেলিগেসন অমা ঙরাং নুমিদাং থেংনা হৱানাদা থুংলবনি। মখোয় ইরুমাইথবদা মতম খরা লৌরে, মখোয়গা পূন্না ব্রেকফাষ্ট চামিন্নগদবনিনা খজিক্তং চোন্থবনি, ৱারৌবীগনু হায়রে। ঐহাক্লা খুমখি - কমরেদ য়াম্না নুংঙাইবা পাউনি অদুদি, ঐ ঙাইজগে। মতম য়ৌরদুনা কৌবা লাক্লে, ঐখোয় মশেল শক তাক্লুরে। শক চুগা মান্নরে, অদুগা ঐহাকসি ইন্দিয়াদগীনি, মদুসু মণিপুরদগীনি খঙলকপদা নুংঙাইনা অমদি খঙহৌদনা য়াম্না ইমোস্নেল ওইনা মখোয়গী লিদর অদুনা ঐগী খূৎ শোক্লদুনা হায়রকখি - “তোমার নাম, তোমার নাম ভিয়েৎনাম, ভিয়েৎনাম”। ঐহাক তু চুংবা ফাওখি, হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইখি, অনৌবা থৌনাগী ঈরিকসু ইশাদা খিকলকপগুম তৌরকখি, কপ্লিংবসু ফাওরকখি।

ঐহাক্কী অনীশুবা ভিয়েৎনাম খোঙচৎ হৌখিবা চহীদা চৎকদবনি অদুবু কোরোনানা মরম ওইরগা তঙাইফদনা য়ৈথোক্তুনা লৈরি। হন্দক্তি অচৌবা দেলিগেসননি, তোঙান তোঙানবা ফিল্ডদগী খনগৎচরগা থিএটর অমসুং শুমাং লীলাগী মীহুৎশিং য়াওবা মী ২৬না শাবা লোয়ননা ভিয়েৎনাম অমদি মণিপুরগী মরক্তা কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম অমা হৌদোক্লবগী মিৎয়েংদা ইন্দিয়ান সোসাইটি ফোর কলচরেল কোওপরেসন এন্দ ফ্রেন্দসিপ লোয়ননা ভিয়েৎনাম য়ুনিয়ন ওফ ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেসন অনীনা পূন্না শিনমিন্নবনি।

“ঙসিগী ভিয়েৎনাম’ হায়বা হীরমদা অনৌবা পাউ তমজনবগী তাঞ্জা শোয়দনা ফংজগনি হায়না আশা তৌজরি।. ●

## ষ্টেটকী পাউ

# দ্বিজো মঙাংনা ইবা ‘খোঙ্গুলগী মমি’ শৈরেং লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস): ওল্ড এসেমব্লি রোদ ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর হিন্দি পরিষদ হোলদা খোরিরোলগী অইবা-অইবীশিংগী পাওশানফমনা শিন্দুনা ঙসি য়াম্না চন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা তখেল্লম্বম দ্বিজোনা ইবা ‘খোঙ্গুলগী মমি’ হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমা ফোঙখ্রে।




শৈরেং লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা বি জে পি কিষান মোর্চাগী প্রসিদেন্ট কাঙজম নিংথেমজাওনা চীফ গেষ্ট, মালাগী প্রসিদেন্ট কাঙজম চাওবনা গেষ্ট ওফ ওনর, খাপাওগী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম অমুচৌনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. অথোকপম খোলচন্দ্রসু শরুক য়াখি।

শৈরেং লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা অথোইবা ওইনা শরুক য়াখিবা মীওই মরিনা তখেল্লম্বম দ্বিজোনা ইবা ‘খোঙ্গুলগী মমি’ শৈরেং লাইরিক্কী মরমদা মখোয়গী ওইবা তোঙান-তোঙানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অইবশিংনা হৌজিক-হৌজিক মণিপুরদা অইবা অইবশিংনা থেংনরিবা অমদি মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থমখি। লোয়ননা অইবা-অইবশিংনা লাইরিক অমা ফোঙবা মতমদা ফংলম্বা অমদি পীরম্বা খুদোংচাবা কয়া লৌথোকখিবা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোক্লখি। ঙসি ফোঙখ্রিবা তখেল্লম্বম দ্বিজো মঙাংনা ইবা ‘খোঙ্গুলগী মমি’ হায়রিবা শৈরেং লাইরিক অসিদা পুন্না শৈরেং ৯০ য়াওরি। য়াম্না চম্না মী য়ামদনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লমদম অসিগী খোরিরোলবু নুংশিজবা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

# অতোপ্পা এ সীশিংনা তমজনফম ওইবা কৈশামথোং এ সী অমা ওইহনসি : জয়েন্তকুমার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস): মণিপুরদা লৈরিবা এ সী ৬০শিংগী মনুংদা তমজনফম ওইবা কৈশামথোং এ সী অমা ওইহনসি। কৈশামথোং এ সী অসিগী ওইনদি এ সী অসিগী মীয়াম্না মণিপুর ইমা লৈবাক্কীদমক করি-করম্বা কন্ট্রিব্যুসন তৌবা য়াবগে হায়বা লম্বীরোমদা চঙশিন্দুনা থবক তৌনবা হোৎনমিন্নসি হায়না কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ, এল জয়েন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ৱার্দ নম্বর ১৩ য়ূথ কন্মিটি নেসনল পিপল্স পার্টি (এন পি পি)না শিন্দুনা পিশুমথোংদা লৈবা এল জয়ন্তকুমারগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা গ্রুপ দিসকসনগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুরদা হান্না লৈরম্বা পার্টি কয়া মরাই চাইথখ্রে। হৌজিক্কী ওইনা মরুওইবা অচৌবা পার্টি হায়রগদি বি জে পি, কোঙ্গ্রেস অমদি এন পি পি খক্তা ঙাইরে হায়বা য়াই। কৈশামথোং এ সী অসিগীসু হান্না ৱার্করশিংগা পুন্না চৎমিন্নরম্বা অদু অমুক্লা হেন্না অৱা-অনা কয়াদা তাথোক তাশিন তৌদুনা ৱার্কর পূম্নমক্কা চৎমিন্ননবা হোৎনরগনি। চাওরাক্লা ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা থা ৫ রোম ৱাৎলি। অদুবু তোঙান-তোঙানবা এ সী খরদা ভোটকীদমক খন্ন-চৈনরকপা অসি য়াম্না থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিংনি। মসিনা দেম্মোক্রেসিগী মশক থীহল্লি। অদুবু কৈশামথোং এ সীগী ওইনদি এ সী অসিগী মীয়াম্না মণিপুর ইমা লৈবাক্কীদমক করি-করম্বা কন্ট্রিব্যুসন তৌবা য়াবগে হায়বা লম্বীরোমদা চঙশিন্দুনা থবক তৌসি। খৎন-চৈনবগী থবক তৌগুমসি হায়না এ সী অসিগী মীয়ামদা আপিল তৌজরি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা এ সীশিং অসিগী মনুংদা মোদেল ওইবা এ সী অমা ওইহনসি। লোয়ননা মমাংদা লৈরম্বা লৈঙাক্কী শকলোন লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনগী মতুংদদি চাওনা অহোংবা অমা লাক্লগনি খল্লি হায়নসু থৌরম অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিগী থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎপদা মতেং ওইনবা হায়দুনা কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ, এল জয়ন্তকুমারবু শৌগৎপা মীওই কয়ানা মানা-মানা ঙমজবা শেলগী মতেং কয়াসু পাংখি।

IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE, IMPHAL EAST, MANIPUR

ORIGINAL SUIT (GUARDIAN) NO. 3 OF 2021

Laishram Roshan Singh ...Plaintiff/Petitioner
-Versus -
Laishram Premila Devi ...Defendant/Respondent

NOTICE

To,
Any interested person.

WHEREAS, the Plaintiff has instituted a suit for appointment of guardian of Laishram Babyrose Devi under Section 14 of the Right of Persons with Disabilities Act, 2016 with consequential reliefs against you before this Court. Any interested person hereby noticed to appear before this Court on 28-10-2021 at about 10.30 a.m. either in person or by a pleader duly instructed by you able to object if any relating to the O.S. (Guardian) No. 3 of 2021 and you are directed to produce on that day all the documents upon which you intended to rely in support of your defence.

Take notice that in default of your appearance on the aforesaid date, month and year, the case will be heard and determined in your absence according to law.

Given under my hand and seal of this Court in this 12th day of October, 2021.

SEAL:
By :- Advocate

Sr. Sheristadar
District & Sessions Court,
Imphal East

HL-P/0355/14, 15

GOVERNMENT OF MANIPUR
IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Vide. Mut. Case No. 81/SDC/L dated: 6/10/2021
Md. Azad Khan S/o (L) Najeruddin of Moijing Meena Bazar.
-Petitioner.
-Vs-
1. Md. Khomei Mia
2. Gafar Mia
3. Serajudin
4. Najerudin
5. Lahijan
6. Melei Bibi D/o Late Naji Mia of Moijing
-O.P. Pattadar

NOTICE
6/10/2021

Under Section 46(3) MLR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি, মদুদি খুন নং ১০-মোইজিং পাট্টা নং ৩৬৯ অনৌবা দাগ নং ২৬০গী লৈরিবা এরিয়া .৬৭০০ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা কো-পাট্টাদার ওইনা মী ৬ ওইনা পানবা পাট্টাগী লম্নি। হায়রিবা মী তরুক (৬) অসিগী মনুংদা কো-পাট্টাদার ওইনা লৈরিবা নং ৪ Najerudin মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা কো-পাট্টাদার ৪গী মচানুপা এপ্লিকান্ট ওইরিবা অসিনা মহাক্কী শরুক ওইনা পোইন্ট ৩১ একর .১২৫৪ হেক্টর মহাক্কী শরুক ওইনা পাট্টা নামা পান্দুনা খাইদোকচরগে হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা এপ্লিকেসন তৌররে। মরম অদুনা কো-পাট্টাদার ৬কী মচা-মশুশিংনা, নিংঙোল-পীবাশিংনা নামা পানবা অমদি খায়দোকখিবদা য়াখিরোই আপ্তি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা অচম্বা চেদা ওবজেক্সন তৌবীনবা খঙহঞ্জরি। কোর্টনা পীরিবা নুমীৎ অসি ফাওবদা ওবজেক্সন তৌদ্রবদি নামা পান্দুনা হৌনবী মতুংইন্না কোর্টনা মখা চত্থরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Lilong

HL-P/0354/14

খঙহঞ্জবা

মঙ্গ্রা/মঙাল ইঙ্খোলগী সগোলশেম লম্বীগী নাক-য়েৎতা তারিবা পাট্টাদারশিং লম্বী অসিদা চৎকদবা ওইরবদি লম্বী অসিগী পাট্টা পায়রিবা সগোলশেম রাজেনগা মখাদা হাপচরিবা মোবাইল নম্বর অসিদা লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওবীয়ু।

Mobile No. : # 9366402456
# 9774724849

HL-P/0353/14, 15

PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book bearing PPO No. 111810213 issued by Accountant General, Manipur on the way between Kakching Khunou and Thoubal Treasury on 11/10/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Kh. Saratkumar
Kakching Khunou Thingnam Tarung Leikai
Ward No. 6.

HL-P/0352/14

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7197/2/10-31/10